রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা রন ১৭ লৌবা মথৌ তারি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩গী মণিপুর অমদি মেঘলায়া অনীনা শান্নখিবা মেটচকী ঙসি নীনি চনবা ফাওবদা মণিপুরনা মায় পাক্লবগীদমক রন ১৭ লৌবা মথৌ তারি।

মেঘলায়ানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৫৩.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫৫ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৩৪দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৯১ লৌখি।

মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৬৫.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ২২০ লৌখি অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৩ শান্নখিবদা ৱিকেট ১ তুরগা রন ১২ লৌদুনা মেঘলায়াবু মায়থীবা পীনবগীদমক রন ১৭ লৌবা মথৌ তারি।

ষ্টেটকী বোলর কিষননা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ১৩.১ লংবদা রন ১৮ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি। জোটিন ফৈরোইজম, বিশ্বরজিৎ অমদি বিকাশনা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

জোটিন অমদি রেক্সনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ৱিকেট ৩/৩, কিষননা ২ অমদি বিশ্বরজিৎনা ১ লৌখি।

মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা পি প্রফুলোমনিনা আউট ওইদনা বোল ৮১দা রন ৫০, কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বা এমনা বোল ৬১দা রন ৪৮ লৌবা ঙমখিবনি।

অন্দর-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল

# সৈত্যমালা, সিল্কিগী হেটট্রিকনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না ৱাফা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): লৌক্রাকপম সৈত্যমালা অমদি সোরোখাইবম সিল্কি অনীনা চনখিবা গোল ৩/৩, জুলন নোংমাইথেম অমদি হোইননজেমনা চনখিবা গোল ২/২ অমদি ৱাইরোকপম দাইনা চনুনা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা ৱাঙ্গৈই ফুটবোল এসোসিএসন (ৱাফা) ৱাঙ্গৈইবু লাকচনা ১১-০দা চথুরিবা ৪শুবা অন্দর ১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

সিল্কিনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা চনখি। সৈত্যমালাগী গোল অহুম অদুনা শান্নবগী ১৯, ২১ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী ইম্ফালনা ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি (দব্লিয়ু এফ এ)বু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এফ সী ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সলাম অঞ্জুলিকানা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা অমদি অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ২ অদুগা লিংবোইচোং খোংশাইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূঠ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) থম্বালখোংনা আই সী এস এ ইরেংবমবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। থম্বালখোং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ৱাইরোকপম মোনিকা, মংপিনেং খোংশাই, লমনৈকিম হাওকিপ, হুইদ্রোম জয়শিনী অমদি অঙোম ইনুংঙানবীনা চনখি। ইরেংবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কেপ্টেন প্রিয়াদর্শিনীনা চনখি।

# নিমসকী এদভেঞ্চর কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়রিং এন্দ এলাইদ স্কুল (নিমস) অরুনাচল প্রদেশকী ওইবা এরো অমদি এক্কা এদভেঞ্চর কোর্স পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খঙহল্লক্লি।

কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা হান্নগা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ইন্সটিট্যুট লমদানদা পাঙথোকখিবা এদভেঞ্চর কোর্সতা শরুক য়ারুবশিংনা মখোয়-মখোয়গী এদভেঞ্চর কোর্স সর্টিফিকেটকা লোয়ননা এপ্লিকেসন ফোর্ম থা অসিগী মনুংদা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী য়াইফ শঙলেন্দা পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অরাপ্তি, বোলেরো সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): উপা ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১২শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা অরাপ্তি এফ সীনা মমৈ এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৭-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

টিম অনী অসিনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ২-২দা দ্রো ওইখি। অরাপ্তিগী গোল ২ অদুনা এম রোনাল্ডোনা চনখি। মমৈ এফ সীগী গোল ২ অদুনা জয়সনা অমদি রোশননা চনখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা মমৈ এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ২না গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা অরাপ্তি টিমগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৫না গোল ওন্থোক্লুনা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা বোলেরো এফ সীনা আর এফ সী সগোলবন্দবু ৮-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

বোলেরো এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু তোম্বনা ৪ অদুগা রোহিট অমদি শ্যামানা ২/২ চনখি। আর এফ সীগী গোল ৩ অদুনা প্রমেশ্বর, সোভা অমদি রাকেশনা চনখিবনি।

# কে এ এল ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লবনা হাওরৈবী অপূনবা এফ সীগা খূৎশম্না শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথুরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা কে এ এল ৱাই সী করামনা ঐচ আর দি ও সমুরৌবু ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

করাম টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু চিংলেনসনা অমদি সন্তোশনা ২/২ অদুগা যসোবন্ত অমদি থৌবনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা এন সী পি ময়াং ইম্ফাল অমদি তাম এফ সী সেক্তা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

৭শুবা পুপু কপ ২০২৩

# ৱাই পি এফ, নেসু দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৭শুবা পুপু কপ লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ওপন ৯-এসাইদ মেন্স ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী অমদি নেসু খুরাই ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাই পি এফকী গোলশিং অদুনা বিজ্ঞানন্দনা শান্নবগী ২৬ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা মোনিশনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। নেসুগী গোলশিং অদুনা দেভিদনা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৪৩দা ২ অদুগা নোংদম্বনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা রেদ মেছিন য়ুম্নাম খুনৌনা আর্মি এফ সী সৈজাংবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রেদ মেছিনগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু অজিতোম্বা অমদি বোরিশনা শান্নবগী ২৯ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা সৈজাংগী অকাশ অমদি পরেশমণি অদুগা রেদ মেছিনগী সনাতোম্বা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই দব্লিয়ু সী ৱিকেট ৫দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইনা এম পি এ ককচীংবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম পি এ ককচীংনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৬.১দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৬৪খক লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইনা ওভর ৩০.১২দা ৱিকেট ৫ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ককচীং টিমবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী দেনিএল লুমিন্থাংনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৬.১ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাক্লুনা ১ মায়থীরগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা টেবলগী ৪শুবদা লৈরি।

# খম্বথেলনা অনাল খুনৌ থোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): অজুলেনা চনখিবা গোল ৩, অঙমনা চনখিবা গোল ২ অদুগা থুংঙম অমদি মানিঙমনা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা খম্বথেলনা অনাল খুনৌবু লাকচনা ৭-০দা চথুরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট ২০২৩ ঙসি চকপীকারোং পব্লিক প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

অজুলেগী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ৩২, ৫৩ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিংফে য়ূঠ ক্লবনা তামপী য়ং ষ্টারবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

রিংফে য়ূঠ ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোংঙমরিং, কানিংতুং অমদি মেলরিননা চনখি। তামপী য়ং ষ্টারগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মোরিংনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা তোনসেন এফ সী মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী মোদি য়ূঠ কলচরেল ক্লবনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

# মীহুলস থাঙ-তাগী থৌমীশিং ত্রিপুরাগীদমক খোঙশানখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শীন্দম শঙলেন (মীহুলস) থাঙ-তা খোংমন ওক্রম চুথেক্কী থৌমী ১১না শাবা খূৎপু অমা ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালাদা থা অসিগী ১২দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইপুধৌ পুথিবা হরাউবগী থৌরমদা হুয়েন লাংলোনগী ওইবা কাঙলোনশিং উৎলুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

থৌমীশিং অদু মীহুলস শীন্দম শঙলেনগী শীন্তাকপুরেল ওক্রম মংলেম মীতৈনা য়াইফ থৌজাল পীবগা লোয়ননা লমথাখি।

# বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেয়র কোর্পসকী লমজিং মখাদা রেদ শিল্ড দিভিজননা শীন্দুনা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবর্ট টি এ মেমোরিএল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট সেনাপটিগী রিখুমাই ইন্দোর বেদমিন্টন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ৭তগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপকী শান্নরোয় ১০৫না শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবর্টকী লোয়নবী চিংপাইনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সেনাপটি বৃগেদকী কম্মান্দরনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# জাফৌ অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩ ঙসি লিৱা সরৈ প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা নুপীগী অহৌবা মেটচতা জাফৌনা চাংনেবু টাই ব্রেকতা ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা চাংনেগী মায়কৈদগী অনুঙম, পেনিংফা অমদি খমসানিনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা জাফৌগী মায়কৈদগী লিনা, মার্জারিং, ইথিলি অমদি সাংবোর্নিংনা গোল ওন্থোক্লুনা ৪-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, ওপন কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা জাফৌ-এনা লিনবেলাংবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

জাফৌ-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঐচ মার্কোনিনা ২ অদুগা এস ঐচ দেনথার অমদি এস ঐচ চুমথারনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা প্রি-ভেটেরিয়ানগী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা চাংনেনা মোন্সাং পান্থাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চাংনেগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল অদু থৌজানটিন টি ঐচনা চনবা ঙমখি।

# সী টি এফ সী অমদি ব্রদর্স এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথুরিবা প্রধান ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রদর্স এফ সীনা য়াইওইবী এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ব্রদর্স এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু লাংশিঙমনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সী টি এফ সী ময়াং ইম্ফালনা লনচেনবী এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হেম্বনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা ময়াং ইম্ফাল টিমগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

# সী এমনা স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): লিয়াংমাই স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ২৭শুবা স্পোর্টস মীট ঙসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী ওক্লোংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

সী এম বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, মী ওইনা পোক্লবদি হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কী করি তৌখ্রে হায়বা খঙহৌনবা ইশা-ইশাগী নীংশিং খূভম অমমম্ থল্লম্নবা হোৎনসি হায়খি।

# অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি বোইকোট তৌরে, মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপীয়ু : দেসাম

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)বু কন্নবা অমদি শান্নরোয়শিংগীদমক খল্লগা হৌজিক ওইরিবা অরানবা তৌবা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরি অনীবু দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না বোইকোট তৌরে অমদি মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লুবা ঙসি দেসামগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা লুচিংবা এগজিক্যুটিভ অসিদগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মেম্বরশিংনা মথং-মথং রিজাইন তৌবা হৌনরক্লিবা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অম্ফাগী অরানবশিং অসিনা মরম ওইরগা কোওপরেসন পীররোই হায়রকখিবা অসিমকসু অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিগী অরানবা তৌরে হায়বগী চপ চারবা খূদমনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা অম্ফাগী ওফিসতা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিগা উনদুনা মীদিয়াগী মমাংদা দিবেট তৌনখ্রবনি। শান্নরোয়শিংগীদমক অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনজরিবা দেসামবু ক্লাসা এফসীনা ইনশিল্লগা চৎলি হায়না মীদিয়াগী মমাংদা হায়রকপা অসিমক্লা অহল ইবুংঙো অনীগী থাক অমদি ৱাখল খুখন্দু লৈবাকমীয়াম মমাংদা দেসামগী নচাশিংনা ময়েক শেংনা খঙজরে। দেসামনসু অহল ইবুংঙো অনীগী মমাংমত্তুদা বোইকোট তৌজরে হায়না লাউথোকচখ্রে। খোঙথাং অসি শান্নরোয়শিংবু কন্নবা অমদি অম্ফাবু কন্নবগীদমক্লি হায়রি।

মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমসতা মণিপুর টিমগী ফিজিওথেরাপিষ্ট অনী থাবদা অনীমক ক্বালিফাই ওইদবা থারুবগী চঙহল্লত্তবগী ৱাথোক ফাওবা দেসামদা রিপোর্ট লৈ।

দেসামনা অম্ফাবু কলহৌনবা শান্নরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা লৌখৎচরিবা খোঙথাং অসি পূন্না শৌগৎপীয়ু। ক্লবশিং অমদি শান্নরোয়শিংনসু পূন্না লেপমিন্নদুনা অম্ফাবু তুংগী মীরোলগীদমক কলহৌরসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# তাতোন, হৈরোক য়ুনাইটেদ দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১১(ঐচএনএস): ইরেংবন্দ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা তাতোন এফ সী ইরেংবন্দ অমদি হৈরোক য়ুনাইটেদ গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।


অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়াল এফ সীনা টি কে দি এবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। রিয়াল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু এম লম্থোইবনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।




HL-P/5597/12-18



HL-P/5089/2/12-30/01




HL-B/7933/4/12-3/02



HL-P/7975/12


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 684**

**WFM Anna Shukhman (2161) - WIM Lan Yao (2271)**
**World Rapid Women 2022 Almaty KAZ, 2022.12.27**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nc6
5.Nc3 Qc7 6.Qd3 Nf6 7.Ndb5 Qb8 8.Qg3 d6
9.Bf4 Ne5 10.O-O-O Nh5 11.Bxe5 Nxg3 12.Bxg3 a6
13. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 683 Ans. :**

39. b6 The white pawn deflects Black's pawn away from protecting the pawn.
Your moves: 39. Nxd6+
Your moves: 39. Nxf6
Your moves: 39. Ng3
Your moves: 39. Bg4
Your moves: 39. Bh5+
cxb6 40. Nxd6+ The white knight forks Black's rook and king. Kg6 41. Be4 Intermediate move
Not 41. Nxf5 because of Kxf5
41. ...Be5 42. Nxf5
Your moves: 42. Bxf5+
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com